# এন ঐচ-৩৯গী 'হায়ৱে প্রোটেক্সন ফোর্স'কী

## পোষ্ট  সদর হিলসকী জেনরেল ষ্ট্রাইক শৌগৎপশিংনা মৈ থাখ্রে

*থৌদাং পাউমীদগী*

***ইম্ফাল, সেপ্তেম্বর ৪ঃ*** ষ্টেটকী লাইফ লাইন অমনি হায়না লৌরিবা নেস্নেল হায়ৱে-৩৯, ইম্ফাল-ডিমাপুর লম্বী ঙাক শেন্নবগীদমক দিপ্লোয় তৌগদবগী ঙাইরগা লৈরিবা 'হায়ৱে প্রোটেক্সন ফোর্স' কী শেমগৎ-শাগৎপা লোইশিল্লবা পোষ্ট অমা মৈ থাদোক্লল্লে।

সডর হিলসপু মপুং ফাবা দিষ্ট্রিক্ট অমা ওইনা লাওথোক্কদবনি হায়না সডর হিলস দিষ্ট্রিক্টহুড দিমান্দ কম্মিতিনা মতম কক্তনা চখরক্লিবা জেনরেল ষ্ট্রাইক মনুং ঐচ পি এফকী পোষ্ট অসি ঙরাং নুমিদাং পুং ১১: ৩০ রোম তাবদা মৈ থারম্বনি হায়রি।

সডর হিলসকী কাংপোকপী পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চনবা কলাপহারদা  এম ও ঐচ (মিনিষ্ট্রি ওফ হোম এফিয়ার্স) গী শেহ্নং মখাদা মপুং ওইনা ঙৈহাক লৈতনা লম্বী অসিদা বন্দ-ব্লোকেড য়াওনা চখরক্লিবা পামদবা থৌদোকশিং থিংনবগীদক পোষ্ট অসি শাগৎখিবনি।

ঐচ পি এফ (হায়ৱে প্রোটেক্সন ফোর্স) লৈনবগীদমক শাগৎলিবা পোষ্ট অসিদা হৌজিক-হৌজিক্তি ভি ডি এফ (ভিলেজ ডিফেন্স ফোর্স) না এটেচ তৌরগা লৈরি হায়নসু প্রেসনা ফংবা পাউ অমনা হায়রি।

ঙরাংগী থৌদোক অদুদা ভি ডি এফনা এটেচ তৌরগা লৈরিবা পোষ্ট অসিগী বেরেক অমা অমসুং কিচন অমা মৈনা তুম্না চাকখিবদগী অমাং-অতা থোকখ্রে।

পনবা য়াবদি, নেস্নেল হায়ৱে অসিদা মপুং ওইনা ইম্ফাল-ডিমাপুর লম্বীদা ঐচ পি এফ থম্বদা ষ্টেটনা কন্না তক্লবগী সেন্তরনা অয়াবা পীরকখ্রবসু থবক্তা ওহোকপা ঙমদনা লৈরকপদগী মীয়াম্না ব্লোকেডকী চৈথেং অসি থেংখাং কয়াদা ফংদুনা লাক্লিবনি।

ঐচ পি এফকী অনৌবা পোষ্ট অসিদা খুৎলাই পায়বা ভি ডি এফ লৈনা-লৈনা মতৌ করম্না মৈ থারল্লিবনো হায়বদু চপ চানা খঙবা ঙমদ্রগসু থৌওং অসি সডর হিলসকী খোঙজং অসিবু শৌগৎপা কাংবুনা ওইগনি হায়বগী চিংনবা লৈ হায়নসু পাউ অসিনা মখা তানা হায়রি।

নিংশিংবা য়াবদি, মপুং ফাবা দিষ্ট্রিক্ট অমগী দিমান্দদা খোঙজং শৌগৎপশিংনা মাল পুবা গাড়ী কয়া থুগায়দুনা অমদি মৈ থাদুনা অমাং-অতা থোকহনবগী মথক্তা মমাংদসু সডর হিলসতা লৈবা এডিসি, কাংপোকপী ওফিস য়াওনা য়ামদ্রবদা সরকারগী লোই-শঙ তরাগী মথক্তা মৈ থাদোক্তুনা অমাং-অতা থোকহনখিবগী থৌদোকশিং লৈখ্রবনি।